# গভর্নমেন্টকা পীছ টোল্ককী ৱারী শাবদা ঐচ এন এল সীগী মীহুৎশিং য়াওহল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সি):
মতম কয়াগী মমাংদগী গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং গভর্নমেন্ট ওফ মেঘালয়াগা লোয়ননা হৈনিট্রেপ নেসনল লিবরেসন কাউন্সিল (ঐচ এন এল সী) গগী মরক্তা পীছ টোল্ক তৌনবা হোৎনদুনা লাক্লবসু মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি। অদুবু হন্দক নাকল অহুমগী মরক্তা ৱারী শানবা হোৎনরক্লিবা অসিদা শুকশোয় শোয়দনা ঐচ এন এল সীগী মীহুৎশিং য়াওহল্লগনি হায়না অথিংবা থমখ্রবা লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।



ঐচ এন এল সীনা হিরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা কুমজা ২০০৪ দগী হৌরগা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবা হোৎনদুনা লাকখি। মতম অদুদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈখিবা মতম্না। অদুবু ৱারী শান্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা ষ্টেট অসিগী হান্নগী গভর্নর আর এস মুসাহরিনা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শান্ননবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মতমদুদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা খোঙথাং শোয়বদগী অমুকসু মায় পাকপা ঙমখিদে।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা কোংগ্রেসকী ওইবা লৈঙাক লৈখিদ্রবা মতুং অনৌবা খোঙথাং অসি পায়খৎপা হৌরকখিবনি। সেন্টরদা লৈরিবা এন দি এ গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেটতা লৈরিবা এম দি এ গভর্নমেন্টনা ঐচ এন এল সীনা থমখিবা ৱাফমশিং পোজিটিব ওইবা রেসপোন্স পীরকপদগী নাকল অহুমগী ওইনা ৱারী শাগদৌরিবা অসিদা ৱারী শানবা ফিরেপ লৌখিবনি।

নাকল অহুমগী মরক্তা ৱারী শাগদৌরিবা অসিদা ইন্টরলোক্যুটর ওইনা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হাপ্পক্লিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী এ কে মিস্রা (রিটয়র্দ আই পি এস) অমসুং পিটর ধাকর (রিটয়র্দ আই এ এস) তসু চাওনা লূপ অসিনা থাজবা থম্মী হায়রি। অমরোমদা ঐচ এন এল সীগী ওইনা ৱারী শাবদা শরুক য়াগদৌরিবশিং অদুদি ভাইস চ্যেরমেন মানবলাং জোইরা, পোলিটিকেল সেক্রেটরি এরিষ্টরৱেল থোংনি অমসুং ফোরেন সেক্রেটরি রাংকুপর দিয়েংদোনি। পি এস ও অনীসু য়াওগনি হায়রি।

# খোঙজেল য়াঙনা থৌরকপা কারনা থোম্বদগী মীওই ৩ শিখ্রে

দিব্রুগর, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সি):
অসামগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জাইপুর নাতুন অলি রোদতা ঙসি অয়ুক অঙনবদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা কার অমনা থোম্বগী থৌদোক্তা মীওই অহুম লৈখিদ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউনা হায়, লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি লাহোৱালদগী ভিক্রম মহালি (৪২), লখি পটার (২৬) অমসুং নিরমল দাস (৩৫) কৌই। মখোয় অহুম্মক শিন্নী ঙাক্তনি। লম্বীগী নাকলদা মখোয় অহুমনা থবক শুবগী নেকপা লাকপা ঙাইরিঙৈদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা মরুটি সুজুকি ব্রিজা (রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এ এস ০৬ জেদ ৪৬১৭) অমনা থোল্লমখিবনি হায়রি। থৌদোক থোকফমদা নিরমল দাস খুদক্তা শিখি। অদুগা অতোপ্পা অনী অদুনা হোস্পিটালদা পুখৎলগা ট্রিটমেন্ট চথুরিঙৈদা অশোকপনা মরম ওইরগা শিখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদু হেক থোকখিবগা নাকলদা লৈরম্বা মীওইশিংনা কার অদুবু থৌরকখিবা মীওই অদুবু গাড়ি মনুংদগী নমদুনা চিংথোক্লবা মতুং ফুবগী থবক চথুখি অমদি তুংদা মহাকপু পুলিসতা শিন্নরকখিবনি হায়রি। ড্রাইভর অদু পুলিসতা শিন্নরকখিবা মতমদা ঈ তানা শোক্লম্বা মরম্না খুদক্কী ওইবা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং

# মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্স ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):
মমাঙ থাগী ২৭তগী নুমিৎ ৮নি চূপ্পা চথুরকখিবা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্স ৱার্কশোপ, ২০২২ ঙসি শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা রাধা মাধোব মান্দবতা লোইশিনখ্রে।

ৱার্কশোপ অসি মণিপুর দান্স ভিজন, কালিফোর্নিয়া (য়ু এস এ), রাধা মাধোব কলচরেল ইন্সটিট্যুসন (হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়) অমসুং সনা খূৎথেক মণিপুর কলচরেল একাদেমি (শগোলবন্দ মৈনো লৈরক) না পূন্না খূৎশম্ন দুনা পাঙথোরকখিবনি। ৱার্কশোপ অসিদা মীওই ৪০ রোম্না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্স য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবী মণিপুরী দান্স ভিজন, কালিফোর্নিয়া (য়ু এস এ) গী দিরেক্টর ডা. সোহিনি রেনা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্স অসি তুংগী মীরোলশিংদা খঙহৌনবা অমসুং হৈহৌনবা জগোয় মখল অসিগী মতাংদা রিসর্স তৌনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মসিগী কান্নবা মীয়াম্না লৌনবা হোৎনগদবনি। ৱার্কশোপ অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াদা লমদম অসিগী হান্নদগী লৈজরক্লবা ফজরবা নাৎ অমদি চৎনবীগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবা ঙমগনি। অসিগুম্বা মখলগী ৱার্কশোপশিং অসি য়াম্না তোইনা পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নেসনল ফ্লেগ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস):
অজাদিকা অম্রিত মহোৎসবকা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা হর ঘর টিরঙ্গা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা স্কুল, ওফিসশিং অমদি য়ুমশিংদা নেসনল ফ্লেগ ১৯,৩১৪ য়েন্থোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর কাংপোকপীনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# য়ুম ৫০ শুদ্রবদি অনৌবা খুঙ্গং অমা ওইনা

*লামায় ১গী মখা...* ভিলেজ অমা ওইবা য়াবগী ক্রাইটেরিয়াশিং অদুদি লম, অকক্লবা য়ুম মশিং, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অয়াবা অমদি চীংগী লম ওইরগনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী অপুনবা মেম্বরশিংগী সিম্পল মেজোরিটিনা পাস তৌরবা মতুংদা ওইবা য়াগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা ইন্দিভিদ্যুয়ল লেভেলদা খুঙ্গং অমা ওইনা শকখঙবগী অয়াবা পীথোক্লম্বগী থৌদোক য়াম্না থেংনরে। মসি মখা তানা তৌরোইদবনি। ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাংদা পি সী সী এফনা অনৌবা ভিলেজ ওইনা রিকগনাইজ তৌরম্বগী দোক্যুমেন্ট থেংনরে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা রিপোর্ট ইখৎলক্কদবা এসিষ্টেন্ট ফোরেষ্ট ওফিসরনা ফাওবা ভিলেজ রিকগনিসন পীরম্বগী রেকোর্দ লৈরে। মরম অদুনা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা লৌখৎপা খোঙথাংশিংগী মতুংইন্না হান্না অরানবা তৌরম্বা ওফিসরশিং অদুগী মথক্তা করি এক্সন লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি। মখা তানা রেভিন্যু ভিলেজ অমা ওইনা রিকগনাইজ তৌবা মতমদা য়ুম ৫০ দগী তানা লৈরবদি মদুবু রিগকনাইজ তৌদনবা খন্নরে হায়খি।

# নফসাগী মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা চেং ইরমদমসিদা

*লামায় ৩গী মখা...* তশেংনা মশাগী লৈজরিবা লৌপুশিং অদুনদি এন ও সী পীবগী মথৌ তাদে। ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদা নফসাগী পুশিল্লক্লিবা চেং অসি মেট্রিক টন লাখ অমনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিকমক ঐখোয়না পুথোকচরিবা ফৌ অসি মসিমক য়ৌবা ঙমদ্রবসু পুথোক্লিবা অসিদগী লৈঙাক্লা মেট্রিক টন ৩০,০০০ লোমদি লৈরগা হন্দক্কী লৌরোক অসিদগী থবক তৌবা হৌরগনি। মসিনা লমদম অসিদা ইনকম জেনরেট চাওনা পুরকপা ঙম্বগা লোয়ননা মীওই কয়াদা থবকসু পীবা ঙল্লগনি। লৌমীশিংদগী লৈঙাক্লা লৈগদৌরিবা ফৌশিং অসি অচৌবা রাইস মীলশিংদা তকপা মথৌ তাই। মদুগীসু রাইস মীল হাংলিবা মীওইশিংদা কান্নবা কয়া ফংগনি। মদুদগী থোক্লক্কদৌরিবা চেং অতেকপা অমদি চগেমশিং অদু তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা অদুমক শীজিন্নবা য়াগনি। মসিদা চঙলক্কদৌরিবা অচৌবা শেনফমশিং অসি লোন লৌরগা পায়খৎকদৌরিবনি।


ফুদ কোওপরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা চেং অসি কিলো অমদা লুপা ২০.৫০নি। মদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা মমল হোংনা ফংহনবগী ৱানি। মরম অদুনা হায়রিবা থবক অসি ওন্থোরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা এমাউন্ট অমা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুথোকপা মথৌ তারি। অদুবু শেনফম অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু অদুমক পুথোকপদা থোইনা কাইরোই হায়না খল্লি। মরমদি নফসাগী চেং অসি লুধিয়ানাদগী ইম্ফাল ফাওবা পুরক্লবা হোৎনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ট্রান্সপোর্ট চার্জ ওইনা চেং মেট্রিক টন ৬৭কী ওইনা লুপা ক্রোর ৪০ হেন্না পীরি। ঐখোয়না ইরমদম অসিদগী থোক্লিবা ফৌশিং অসি লৈরবদি ট্রান্সপোর্টকী চাওনা চঙলিবা শেনফম অসি পীবগীসু মথৌ তাদ্রে। লোয়ননা হায়রিবা থবক অসি ঐখোয়না পাঙথোক্লবদি ষ্টেট অসিদা চাওনা অহোংবা কয়া শোয়দনা পুরকপা ঙম্লগনি। লৌমীশিংনা লৌ উবদা ৱারিবা অসিসু কোক্লগনি অমদি ফৌশিং অসি চেংতাইবী ইমা-ইবেলশিংসু য়াওহন্দুনা তৌগদবা থবক অমা ওইবনা মখোয়দসু চাওনা কান্নবা পীরগনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টতা লিংখৎলক্কদৌরিবা রাইস মীলশিং অসিনা মীওই কয়াবু থবক পীবগা লোয়ননা ট্রান্সপোর্টকী থবক তৌরিবা মীওইশিংদসু চাওনা কান্নবা পীবা ঙল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক পোৎচৈগী মমল তাংলিবা অসি য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা থোয়না মমল তাংবা হায়বদু ওইদে হায়না খল্লি। মরমদি পোৎচৈগী মমল ৱাংখৎলক্লিবা অসি মালেমগী মফম খুদিংদা হৌজিক-হৌজিক অদুমক মায়োক্লরিবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা পোৎচৈগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎতনবা য়াম্না কুপ্পা য়েংশিল্লি অমদি মখা তানসু য়েংশিনখিগনি হায়খি।

হাউসকী টেবলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দিমান্দশিং মুভ তৌদ্রিঙৈদা মাঙওইননা লৈবাক মীয়ামদা নুংঙাইবা পাউ পীরদুনা মহাক্না হায়, মতম কুইনদগী তান্দুনা লাকপা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী এম বি বি এসকী সিট ১০০দগী ১৫০ হেনগৎপীয়ু হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাকপদু ঙসি অয়াবা পীরক্লে হায়না হাউসতা থমখি। লোয়ননা লোক্তাক পাৎকী ফুমদি মথক্তা শারিবা য়ুমশিং ভলন্টরি ওইবা মওংদা মশা-মশানা শিদোক্করক্লিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। মসি লৈঙাক অসিনা য়াম্না থাগৎলি। হায়রিবা মীওইশিং অসিদা লৈঙাক্লা পীবা বেনিফিটশিং মখোয়দা হান্না পীনবা হোৎনরগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

ঙসিগী হাউসনা অমক্তা ওইনা য়ান্দুনা দিমান্দ ৭কী অপুনবা শেনফম লুপা ৩৮৯৮,৫৫,৪০,০০০ হাউসকী স্পিকরনা পাস তৌখ্রে। ঙসি হাউসনা পাস তৌখ্রবা দিমান্দশিং অদুদি দিমান্দ নম্বর ১০ এদ্যুকেসনগী লুপা ২৫২৫,৪২,৯৪,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৫ কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুইসনগী লুপা ১৬৭,৭৬,৬৪,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৮ পঞ্চায়টকী লুপা ১৩৮,৮৯,১০,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪০ ৱাটর রিসোর্ছসেস দিপার্টমেন্টকী লুপা ৯৩৯,৩৫,৭৩,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৩ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্বেসনগী লুপা ৯২,৪৪,৯৯,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৬কী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লুপা ৫,৪৮,৫০,০০০ অমদি দিমান্দ নম্বর ৪৯গী ইকোনোমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্সকী লুপা ২৯,১৭,৫০,০০০নি। হাউসকী স্পিকরনা দিমান্দশিং পাস তৌরবা মতুংদা ঙসিগী সেসন অদু হয়েং অয়ুক পুং ১১ ফাওবা য়ৈথোকখি।

## CROSSWORD-3604




**ACROSS**

1 Fruit seeds (4)
3 Waterfall (8)
9 Slices of bacon (7)
10 Broom made of twigs (5)
11 La Traviata composer (5)
12 Small edible crustacean (6)
14 Pronounce not guilty of criminalcharges (6)
16 Male goose (6)
19 Root vegetable used in salads (6)
21 Path of a planet (5)
24 Milky coffee (5)
25 Winning goal in a match (7)
26 Height, elevation (8)
27 Nought (4)

**DOWN**

1 South American (8)
2 Ropes (anag) (5)
4 Aid (6)
5 Brownish yellow (5)
6 Accepted as true without proof (7)
7 Burial place (4)
8 Third sign of the zodiac (6)
13 Large choral work (8)
15 Composition for four performers (7)
17 Immediately (2,4)
18 Out of direct sunlight (6)
20 Maladroit (5)
22 Move (5)
23 Island to which Napoleon wasexiled (4)

**Solution 3603**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4005

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | 6 | 9 | | | | |
| 5 | 2 | | | | | | | |
| 9 | | 1 | 3 | | 8 | 4 | | |
| | 1 | | 2 | | 7 | | | |
| | | 4 | | | | 3 | | |
| | | | 9 | | 3 | | 4 | |
| | | 8 | 1 | | 9 | 2 | | 5 |
| | | | | | | | 8 | 7 |
| | | | | 3 | 2 | | | 4 |

## Solution-4004

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 9 | 2 | 7 | 1 | 4 | 3 | 6 |
| 3 | 6 | 4 | 9 | 8 | 5 | 1 | 2 | 7 |
| 2 | 1 | 7 | 3 | 6 | 4 | 8 | 5 | 9 |
| 4 | 7 | 2 | 6 | 5 | 9 | 3 | 1 | 8 |
| 1 | 3 | 8 | 7 | 4 | 2 | 9 | 6 | 5 |
| 6 | 9 | 5 | 8 | 1 | 3 | 7 | 4 | 2 |
| 9 | 5 | 1 | 4 | 2 | 7 | 6 | 8 | 3 |
| 8 | 2 | 3 | 1 | 9 | 6 | 5 | 7 | 4 |
| 7 | 4 | 6 | 5 | 3 | 8 | 2 | 9 | 1 |

# ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

## NIT NAGALAND RECRUITMENT 2022 FOR ASSOCIATE PROFESSOR


National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Associate Professor Recruitment 2022
Advertisement for the post of Associate Professor in National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 16th August 2022. Candidates can check the latest National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment 2022 Associate ProfessorVacancy 2022 details and apply online at the www.nitnagaland.ac.in/ recruitment 2022 page. National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nitnagaland.ac.in/. National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of www.nitnagaland.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Associate Professor
Job Location:
Chumukedima, Dimapur, 797103 Nagaland
Last Date: 16th August 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 04 Posts (UR-02, BC-01, SC-01)
Educational Qualification: Six years after Ph.D. of which at least 03 years at the level of Assistant Professor with AGP Rs.8000/- Or Nine years total working experience, of which 03 years should be after Ph.D., with at least 03 years at the level of Assistant Professor with AGP Rs.8000/-.
Pay Scale:
INR
139600/- Per Month
Age Limit: As Per Rules.
Application Fee: The Form should be enclosed with prescribed application fee of Rs. 1000/- (One Thousand only) for General/OBC category and Rs. 500/- (Five Hundred Only) in case of SC/ST in the form of Demand Draft in favour of IRG, NIT Nagaland payable at State Bank of India, Chumukedima Branch, Dimapur. However, Persons with Disabilities (PWDs) candidates are exempted from payment of the prescribed fees subject to submission of relevant certificate issued by the competent authority.
How to Apply:
Application must be sent in the prescribed format only through speed post/ registered post to "The Registrar, National Institute of Technology Nagaland, Chumukedima, Dimapur, Nagaland 797103". On the envelope please inscribe "Application for Recruitment for the post of............Advt No...........(please fill in name of post category applied for)".
Important Dates:
Published on: 29th July 2022
Last date for application is: 16th August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NIPER GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR CHIEF EXECUTIVE OFFICER

Nagaland University Guest Faculty Recruitment 2022: Advertisement NIPER Guwahati Chief Executive Officer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Chief Executive Officer in NIPER Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 12 August 2022. Candidates can check the latest NIPER Guwahati Recruitment 2022 Chief Executive Officer Vacancy 2022 details and apply online at the www.niperguwahati.ac.in recruitment 2022 page.
NIPER Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.niperguwahati.ac.in. NIPER Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.niperguwahati.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
National Institute of Pharmaceutical Education and Research Guwahati (NIPER Guwahati)
invites applications for recruitment of Chief Executive Officer
Chief Executive Officer
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781125 Assam
Last Date: 12 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Application For Employment
Application For Employment Recruitment 2022 Details
Company NIPER Guwahati
Job Role Chief Executive Officer
Education Requirement M.Sc
Total Vacancy 1 Posts
Job Locations Guwahati
Experience 15 - 20 years
Salary 100000 - 125000
Posted on 29 Jul, 2022
Last Date To Apply 12-08-2022
Educational Qualification: Graduation in Science/ Technology with post-graduation in science/ technology/ business management.
Experience: A minimum of 15 years of overall experience in at least 3 sectors including Industry, Technology Business Incubators, Start-up, Venture Capital Firms in Technology sectors, Innovation management, or Academic / Research Organisation.
Skills / Eligibility
Age Limit: 40-55 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Chief Executive Officer in NIPER Guwahati.
How to Apply:
If you are interested in applying for NIPER Guwahati Recruitment 2022, then apply before 12/08/2022. If you want to know the procedure to apply for the NIPER Guwahati Recruitment 2022, then follow the steps given below.
Step 1: First, you will need to visit the NIPER Guwahati official website niperguwahati.ac.in
Step 2: Once you enter the website look out for the NIPER Guwahati Recruitment 2022 notification.
Step 3: Read all the details and criteria to proceed further with the application
Step 4: Now the candidate should fill in all the necessary details. Make sure that you do not miss out any section in the application.
Step 5: Apply or send the application form before the last date.
Important Dates:
Published on: 31 July 2022
Last date for application is: 12 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোম্লগা লৈবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা অদুনা অমাংথোঙদা মচুম তাবগুম্না অমাংথোঙদা চোৎ-চোৎ লাউরগা লৈবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা, পোমথোরকপা অদু খূৎনা ইনশিনবসু য়াদবা, খোঙ হাম্বদসু য়াম্না নাবা, পোমথোরকপা অদুনা খোঙ হাম্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বদা চাং নাইদবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বদা য়াম্না থুপ্পা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎলকপা, দোক্টরদা চৎলগা য়েংহনবা মতমদা ওপরেসন তৌদবা য়ারোই হায়দুনা তৌবদগী মতম খরা ফরল্লগা ওপরেসন তৌফম মনাক্তা খূজিনমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা অমদি খোঙ হাম্বসু য়ারক্তবা, হান্না ওপরেসন তৌদ্রিঙৈদা নারকপগুম্না নারকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা



**Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam**
**☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **K. Ibomcha Singh**
Porompat

HL-B/7731/4

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST.**

**Ref :- Mut. Case No. 168/SDC/IW/LC of 2022.**
1) Aheibam Shyam Singh S/o (L) Amuba Singh of Langthabal MantriKhong Makha Leikai.
2) Aheibam Sanatomba Singh S/o (L) do of do.
3) Khumbongmayum Ibobi Singh S/o (L) Kh. Thambou Singh of do.
4) Khumbongmayum Shyamkishore Singh S/o (L) do of do.
5) Khumbongmayum Jugindro Singh S/o (L) do of do.
6) Khumbongmayum Hemo Singh S/o (L) do of do.
-Petitioners
-Vs-
1) (L) Aheibam Amuba Singh S/o (L) Mani Singh of Langthabal Mantrikhong.
2) (L) Khumbongmayum Thambou Singh S/o Khomdon Singh of do. -Opposite Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Lilong Chajing, the 3rd August 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৬-লংথবাল মন্ত্রিখোংগী অনৌবা পাট্টা নং ২১ দাগ নং ২৫৪ এরিয়া ০.৩৭০০১ একর চাওবা ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদারশিং ১) অহৈবম অমুবা সিংহ পীং মৃত মনি সিংহ সাং লংথবাল মন্ত্রিখোং ২) খুম্বোংময়ুম থম্বৌ সিংহ পীং খোমদোন সিংহ সাং লংথবাল মন্ত্রিখোং মখোয় অনীমক মৃত ওইখ্রবা মরম্না মখোয়গী মমিংদা লৈরিবা ইঞ্চোল অসি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঞ্চোল অসিগী মরীদা আপত্তি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা "নোটিশ" অসিনা পাউ-চে অসিদা হাপ্পা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপত্তি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই।

**,Sd/- Sub-Deputy Collector**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/3365/04

